# কুমজা ২০১৪ দগী সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা টেররোরিষ্ট ১৩,০০০ ফাগৎখ্রে : চাইনা



বৈজিং, মর্চ১৮(এজেন্সি):
চাইনাগী ওথোরিটিশিংনা সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা কুমজা ২০১৪ দগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না টেররোরিষ্ট ১৩,০০০ রোম ফাগৎপা ঙস্লে হায়না চাইনিজ লৈঙাক্লা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী নোংচুপ ইথং থংবা ইরাং লৈবা লমদম অদুদা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা দে-রেদিকেলাই-জেসনগী খোঙথাংশিং তঙাইফদবনি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা পোলিসি পেপর অমদা চাইনিজ লৈঙাক্লা ৱাফম অসি ফোঙ-দোকখিবনি।

ইঠনিক উইঘুর অমসুং অতে মুস্লিম মিলিয়ন অমা হেন্না ফাজিন্দুনা থম্লবগী সেন্টরশিংনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদো-ক্লিবা ফেসিলিটি কয়া শেমগৎপ-গীদমক চাইনাবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা চৈ থাংনরক্লিবনি।

বৈজিংনা হায়রি মদুদি, ইস্লামিষ্ট লালহৌগী অকিবা লাকশিনবদা তঙাইফদনা অদুগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎপা চঙই অমসুং ফেসিলিটিশিং অদু ভোকেসনল সেন্টরশিংনি। লৈবাক অদুগী লিগেল ওথোরিটি-শিংনা মীনুংশি উৎপা অমসুং লৈঙাক অমা লৈবগী লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা অনীগী মরক্তা লৈফম থোকপা বেলেন্স অমা লৈহন্নবগী মওংদা পোলিসি অমা পায়খৎপদনি হায়না চাইনিজ লৈঙাক্লা পুথোকপা হ্বাইট পেপরদা পনখি।

কুমজা ২০১৪ দগী সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা লাক্ল-ফানবদা ৱারবা টেররোরিষ্ট গেং ১,৫৮৮ মাঙহন তাকহনখ্রে, টেররিষ্ট ১২,৯৯৫ অমদি এক্সপ্লোসিভ দিভাইস ২,০৫২ ফাগৎখ্রে লোয়ননা লোনা য়াদবা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা থবক ৪,৮৫৮ মরী লৈননা মীওই ৩০,৬৮৫ চৈরাক পীখ্রে অমসুং লোনা য়াদবা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা লাইরিকশিংগী কোপি ৩,৪৫,২২৯সু ফাখৎখ্রে হায়না হ্বাইট পেপর অদুনা মখা তারি।

টেরর গ্রুপশিংগী রিং লিদরশিংগুম্বা মশিং য়ামদবা মীওই খরদমক্লা অকনবা চৈরাক মায়োক্ল রি। তৌইগুম্বসুং কা হেনবা ৱাখল্লোনশিংনা ইথিল পীবা মীওই কয়া মরম চানা এদ্যুকেসন অমসুং ট্রেনিং পীদুনা মখোয়না চৎলিবা অরানবা লম্বীশিং চুমথোক্লবগী খুদোংচাবসু পীরি হায়না পেপর অদুদা পনখি।

কুমজা ১৯৯০ দগী লৈবাক অদুদা টেররিষ্ট এটেক ৩০ চথখ্রে, ইকোন কোনবা এটেক অদু কুমজা ২০১৬ গী দিসেম্বরদা রেকোর্দ তৌখিবনি। এটেকশিং অদুগী মখা তারকপা ঈরাংশিংদা মীওই ৪৫৮ শিখ্রে, য়ামদ্রবদা মীওই ২৫৪০ অশোক অপন নংখ্রে।

অমরোমদা লোইদা লৈবা মরু ওইবা গ্রুপ ৱর্ল্ড উইঘুর কোংগ্রেসনা লৈঙাক্কী হ্বাইট পেপর অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

# জিম্বাবৱেদা নোংলৈ নুংশিৎ ইদাইনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে, মীওই ৮৯ শিখ্রে



হরারে, মর্চ১৮(এজেন্সি):
জিম্বাবৱেগী নোংপোক অমসুং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ ইদাই শিৎচিল্লকপদগী অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৯ শিখ্রে, শেল-থুম অমদি ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা লৈবাক অদুদা থক্ল-চানবা অমসুং হীদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং ফংহন্দবা হিংবদা ৱাবগী ফিভম অমা লাক্লে হায়না লৈঙাক্কী ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোকহল্লিবা মোজাম-বিক্কী বোর্দরদা তাইনবা মফমশিংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিং চঙশিনবদগী শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মফম অদুদা কয়ায় ফাওবগী চাংদা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগে হায়বদু খঙবা ঙল্লকখিবনি। নোং কন্না চুবা অমসুং পুংদা কিলোমিটর ১৭০গী খোঙজেল য়াংনা নুংশিৎনা লম্বী, য়ুম অমসুং থোং কয়া হোমদোকখিবদগী পাৱর অমসুং কম্ম্যুনিকেসন লাইনশিংদা অমাঙ-অতা থোক-হনবদগী চিমানিমানি দিষ্ট্রিক্ট জিম্বাবৱেগী অতে মফমশিংগা ফাওনহনখিদ্রে।

লৈবাক পুম্বগী ওইনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা শিখিবা মীশিং ৮৯ শুরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসনগী সেক্রেটরি নিক মঙ্গৱানা ন্যুজ এজেন্সি অমদা টেক্স মেসেজ অমগী খুথাংদা ফোঙদোকখ্রে। লোকল ওফিসলগী মতুং ইন্না অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়রি মদুদি, মোজামবিক অমসুং মালাৱিদা চয়োল কয়া চুপ্পা নোং কন্না চুবা অমসুং ঈচাও থোকপদগী মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে। মফম অদুগী খুঙ্গংশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হৌজিক চিমানিমানিদা লৈবা অৱাবা তারবা মীশিংগী মফম য়ৌনবা কন্না হোৎনরি। মীওই কয়া অমদি চীংথক্তগী ওন্থরকপা নুঙশিং অমসুং লৈখোম-লৈনাং মপৈশিংনা মখোয়গী য়ুমশিং অমাঙ-অতা থোকহনবদগী নৎত্রগা চেন্থখিবদগী হৌখিবা ইরাই নুমিত্তগী চীংদা য়ারেক্তুনা লাক্লি। ইমুং কয়া ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা অশিবা হকচাংশিং লৈরোল চনবা ঙমদনা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোকখ্রে। ফিভম অদু কুমজা ২০০০ দা নোংলৈ নুংশিৎ এলিনেনা জিম্বাবৱেগী নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুকশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবা মতুংদা লৈবাক অদুদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা নোংলৈ নুংশিৎনা মাঙহন তাকহনবগী থৌদোক ওইরি।

# দটচ সিটি অমদা ট্রাম মনুংদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিরে, টেররিষ্ট এটেক ওইবা য়াই : পুলিস



[illegible]
সেন্ট্রেল দইচ সিটি য়ুট্রেচতা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ট্রাম অমগী মনুংদা মীওই কয়াদা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

এটেক অদু টেররিষ্টকী ইথিল চঙবা থৌদোক ওইবা য়াই হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে। য়ুট্রেচ সিটিদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসি টেররিষ্ট এটেক মাল্লি হায়না [illegible] এজেন্সি পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা হায়, থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা গনমেন অদু ফাবা ঙমদ্রি অমসুং ওথোরিটিশিংনা য়ুট্রেচ প্রোভিন্সতা টেররিজম থ্রেটকী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরে হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে। স্কুলশিং থোং লোলহনখ্রে অমসুং এয়রপোর্টশিং অমদি অতে মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা পেরা [illegible] দিপ্লোই তৌদুনা সিক্যুরিটি কনখৎহনখ্রে। মোস্কশিংদসু সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাং হান্নদগী কনখৎখ্রে।

ট্রাম অমগী মনুংদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি অমসুং মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংলমখি। থৌদোক থোকফমদা হেলিকোপ্টর কয়া পাইশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীফা-মীপুন অমত্তা লৈত্রি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন জুষ্ট লনশাগনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা খুদক্কী ওইনা অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

লোকল ব্রোদকাষ্টর আর টি ভি য়ুট্রেচনা ৱিটনেস অমা পল্লদুনা হায়, মুক্লবগী থৌদোক মানবা অমদা মহাক্লা নুপী অমা লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উখি। থৌদোক থোকফম অদুদগী মীওই কয়াসু চেন্থোক্লবা উখি। থৌদোক অদুনা মহাকপু নুংনাংবা পোকহল্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক রুট্টেনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙ-দোকখ্রে। লোয়ননা মহাক্লা ক্রাইসিস অদুগী মতাংদা খন্ননবগী মীফম অমা কৌখ্রে। য়ুট্রেচকী থৌদোক অদু হৌখিবা ইরাইদা ন্যু জিলেন্দগী ক্রাইসচর্চ সিটিদা মোস্ক অনীদা লাই খুরুল্লিবা মীয়ামদা গনমেন অমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৫০ হাৎখিবা মতুংদা থোরক্লিবনি।

নেন্দরলেন্দকী মরিশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা য়ুট্রেচ অসি ফজরবা কেনেলশিং অমসুং মহৈরোয় মশিং য়াম্না লৈবগীদমক মমিং চৎলি। য়ুট্রেচ নৎত্রগা নেন্দরলেন্দগী অতে মফমশিংদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং য়াম্না তাংনা থোকই।

# রেবেল লোমেকর রীস-মোগনা পি এম মেগী ব্রেক্সিট দিল শৌগৎনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

লন্দন, মর্চ১৮(এজেন্সি):
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা মখা তানা লৈববুদি মীয়াম্না পাম্বা ৱাৎপা ফত্তবনি হায়বা এগজিট একোর্দ অমনা হেন্না ফৈ হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা রেবেলশিংনসু প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগী বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী দিল শৌগৎলকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মেগী পার্টিদা খ্বাইদগী ইথিল পীবা ঙম্বা ব্রেক্সিট শৌগৎপা লোমেকরশিংগী মনুংদা অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা অনীরক হন্না চাওনা মায়থিবা নংখ্রবা মতুং অসিদা লোমেকরশিংনা মহাক্কী ব্রেক্সিট দিল শৌগৎতবা তারবদি বৃটেননা ঈ য়ু থাদোকপা হায়বসি মতম শাংনা চোন্থদুনা ব্রেক্সিটিয়র কয়ানা লৈবাক অদু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন দগী তোক্তবসু য়াই হায়না কিনরিবা ফিভম অদুমক লাকপা য়াই হায়না মেনা লোমেকরশিং অদুদা চেকশিন ৱা হায়খ্রে।

ঈ য়ুগা চহী অনীমখায় চুপ্পা অকনবা নেগোসিএসন চথরকখ্রবা মতুংদা ব্রেক্সিটকী অরোইবা ফিভম হৌজিক চপ চানা হায়বা ঙমদনা লৈরি। লৈরিবা ওপসনশিংগী মনুংদা ব্রেক্সিটকী মতম কা হেন্না থিন্থবা, মেগী দিলগা লোয়ননা য়ুনিয়ন থাদোকপা, দিল অমা য়াওদনা মওং-মরিল তাদবা মওংদা য়ুনিয়ন থাদোকপা নৎত্রগা অতোপ্পা ঈ য়ু মেম্বরশিপকী রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপগী ফিভম য়াওরি। লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎ অমসুং ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্ল বা লেপখ্রবা ঈ য়ু লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী ওইবা সম্মিট মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা হৌজিক মহাক্কী দিল অদুগী সপোর্ট ফংনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবনি। করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টনা হৌখিবা নবেম্বরদা মহাক্লা ঈ য়ুগা য়ানখিবা দিল অদু রেটিফাই তৌদবা তারবদি ব্রেক্সিটকী মতম কা হেন্না থিন্থবা য়াই হায়না মহাক্লা লোমেকরশিংদা হায়খ্রবনি।

বৃটেনগী হাউস ওফ কম্মন্সতা লৈরিবা য়ুরোস্কেপটিকশিংগী ওইবা য়ুরোপিয়ন রিছার্স গ্রুপকী চেয়রমেন রীস-মোগনা হায়, মেগী দিলগী মতাংদা করম্না মহাক্লা ভোট পীগদগে হায়বসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবা মহাক্লা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং ব্লোক অদুদা মখা তানা লৈববুদি ব্রেক্সিটকী ফিভম অমনা হেন্না ফৈ।

করিগুম্বা রীস-মোগনা প্রাইম মিনিষ্টর মেবু শৌগৎপা তারবদি রেবেল কয়ামুক্লসু মহাক্কী মতুং ইল্লকপা য়াই হায়রি। মতাং অসিদা খন্ননিঙাই ফিভম অসি লাকপা মতমদা মেগী দিল অদু শোয়দনা কনবা ঙল্লগদ্রা হায়বা ৱাফম অসিনি।

ফত্তবা দিল অমদগী দিল লৈতবনা হেন্না ফৈ। তৌইগুম্বসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা মখা তানা লৈববুদি ফত্তবা দিল অমনা হেন্না ফৈ। ব্রেক্সিটকী মতম চহী ২ শাংদোকপা হায়বসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা মখা তানা লৈখিগনি হায়বগা চপ মান্নে হায়না রীস-মোগনা এল বি সী রেদিওদা ফোঙদোকখি।



# ইস্লামিক ষ্টেটকী মরু ওইবা মফমশিং এস দি এফনা পায়শিনখ্রে



বগহৌজ, মর্চ১৮(এজেন্সি):
নোংপোক থংবা সিরিয়াদা লৈব ইস্লামিক ষ্টেটকী অরোইবা এনক্লেভতা চঙশিন্দুনা মরু ওইবা মফম কয়া পায়শিনবা ঙস্লে অমসুং নিংথৌকাবগী অঙনবদা য়ুফ্রেটিস তুরেগী নাকলদা লৈরিবা জিহাদিষ্টশিংগী লম মচেৎ অদুদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখ্রে হায়না য়ু এসনা শৌগৎপা ফাইটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱার প্লেনশিংনা অমসুং অর্টিলরি শীজিন্নদুনা কাপশিনখিবগা লোয়ননা পীক্লবা এনক্লেভ অদুগী মথক্তা মৈখু মপৈ মপৈ কাপখৎলকপা উখি। ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদুগী মমাঙদা জিহাদিষ্টশিংগী মায়কৈদগী এস দি এফ মিলিস্যামেনশিংগী মায়োক্তা কাওন্টর এটেক অমা চথখি।

এনক্লেভ অদুগী মরু ওইবা মফম কয়া খুদম চনশিল্লে অমসুং এম্যুনেসন পৈফম অমসু মাঙহন-তাকহল্লে হায়না সিরিয়ন দেম্মক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ) মিলিস্যাগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা মুষ্টাফা বালিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ট্বীটরদা ফোঙদোকখি। এনক্লেভ অদুদা গাড়ি কয়া খামদুনা লৈবগা লোয়ননা ব্লানকেটশিং নৎত্রগা টর্পোলিন্না শেম শাবা সেল্টর কয়াসু লৈবা উবা ফংখি। লান লেপ্পা মতমদা অদুগুম্বা সেল্টরশিং অদুগী মরক্তা মীওই কয়া চৎথোক-চৎশিন তৌবসু উই হায়রি।

য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী এয়র পৱার অমসুং স্পেসল ফোর্সশিংগী বেক্কিংগা লোয়ননা এস দি এফনা ইস্লামিষ্ট ষ্টেটপু সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদম অপুম্বগী তান্থোকখ্রবনি হায়বা য়াই। কুমজা ২০১৭ তারকাদা এস দি এফনা ইস্লামিষ্ট ষ্টেটপু মায়থিবা পীবগা লোয়নন মখোয়বু হৌখিবা চহীদা বগহৌজতা লৈবা মখোয়গী অরোইবা এনক্লেভতা তানশিনখিবনি। বগহৌজতা মায়থিবা তারবদি কুমজা ২০১৪ দা ইস্লামিষ্ট ষ্টেটনা খুদম চনখিবা সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী শরুক অহুম থোকপগী অমদা লৈবা মী তাবা লমশিং মখোয়না কন্ট্রোল তৌরক্লিবদু লোইরগনি হায়বা য়ারবসু গ্রুপ অসি থ্রেট অমা ওইনা মখা তানা লৈখিগনি হায়না রিজনেল অমসুং নোংচুপলোমগী ওফিসলশিংনা হায়রি।

# ‘ইজরেলনা পেলেষ্টিনিয়নশিংদা অরুবা ঈশিং ফংহনদ্রে’



জিনিভা, মর্চ১৮(এজেন্সি):
মুক্লবগী ফিভম লৈবদগী মীগী মরল-মথুমশিং হুবগী থৌওং অমদা ইজরেলনা পেলেষ্টিনিয়ন মিলিয়ন কয়াদা তরু-তনানবা ঈশিং চাং নাইনা ফংহনদ্রে অমসুং মখোয়গী লমদগী মিনরেল কয়াসু লৈনুংদগী তান্থোক্তুনা শীজিন্নথোকপিরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হ্যুমেন রাইটস এনভেষ্টিগেটর অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেষ্টিনিয়নশিংনা তাবা মফমশিংগা মরী লৈনবা য়ু এন স্পেসল রাপোর্টর ওন হ্যুমেন রাইটস মাইকল লিঙ্কনা হায়, ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা সেট্টলমেন্ট হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবগী থবক অঙম্বী থাক্তা মখা তানা চথরি। থৌওং অদু য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং লৈবাক কয়ানা লোগী মায়োক্তনি হায়নরিবনি। চহী অমগী মনুংদা অনৌবা সেট্টলর লিশিং ২০ দগী ২৫ ফাওবা হাপচিল্লক্লি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা ৱাফম অসি য়ু এন রাইটস কাওন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙ-দোকখিবনি। ইজরেলগী মায়োক্তা মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওংশিং চথৈ হায়রদুনা ইজরেলগী দিলিগেসনননা কাওন্সিলগী দিবেট বোয়কোট তৌখি। মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা অরানবা রিপোর্টতা লিঙ্কনা য়াম্না থাক নেম্বা মীওই অমগী মতৌগুম্ জ্যুৱিস ষ্টেটপু হুরানবগী মরাল শীরি হায়না জিনিভাদা লৈরিবা ইজরেলগী মিসননা ন্যুজ এজেন্সি অমদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মিসন অদুবু লিঙ্কপু মীয়াম্না খঙনরবা পেলেষ্টিনিয়নশিংবু মতম পুম্বদা শৌগৎপা মীওই অমনি হায়না মরাল শিখি। ইজরেলগী মরু ওইবা মীচঙ ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসসু কাওন্সিল অদুবু এন্টি ইজরেল ওই হায়না মরাল শিরদুনা হৌখিবা চহীদা মেম্বর ৪৭ লৈবা ফোরম অদুদগী তোকখিবনি।

গজা ষ্ট্রিপতা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা মহৌশাগী ওইবা থক্লবা ঈশিংগী হৌরকফম ওইরিবা সমুদ্র খোঙবালগী ঈশিং চুমখৎফমশিং মথৌ নীংথিনা তৌহনখিদ্রে। হৌজিক মফম অদুদা ঈশিং খরা ফংলিবা অদুসু মীওইবনা থক-চাবদা শীজিন্নবা য়াবগী ফিভম ওইদ্রে। মদুনা মফম অদুদা লৈরিবা পেলেষ্টিনিয়ন মিলিয়ন অনীগী মরক্তা শাথিরবা হেল্থ ক্রাইসিস অমা থোকহল্লে হায়না লিঙ্কনা ফোঙ-দোকখি। কুমজা ২০০৫ তা গজাদগী ইজরেলি সেট্টলরশিং অমসুং ট্রুপশিং হন্দোকখ্রবসু কোষ্টেল এনক্লেভ অদুগী অকোয়বদা ইজরেলনা নোংথক ঈশিং অমসুং কংফালদা মখা তানা ব্লোকেদ থল্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# বৌটেফ্লিকাগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা দোক্তরশিংনা আপিল তৌখ্রে

অলজিয়র্স, মর্চ১৭(এজেন্সি):
অলজিরিয়াগী নীংতম নুমিৎ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অদুগী দোক্তরশিংনা অব্দুলঅজিজ বৌটেফ্লিকাগী মায়োক্তা পাক শন্না প্রোটেষ্ট তৌনবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা পৱার চেৎনা পায়দুনা লৈরিবা মশা নারবা প্রেসিদেন্টতা প্রেসর হেন্না কনখৎখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা দোক্তরশিংগী বোদি অমা ওইরিবা কলেক্টিভ ওফ অলজিরিয়ন মেদিকেল রেজিদেন্টস (কামরা)না রুল্লিং গেংশিংবু চৈ থাংবগা লোয়ননা মেদিকেল মহৈরোয়শিংদা খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়ানবা আপিল তৌখি।

অলজিরিয়নশিংনা বৌটেফ্লিকা অমসুং ফ্রান্সকী মায়োক্তা কুমজা ১৯৫৪ দগী কুমজা ১৯৬২ ফাওবা শোক্লখিবা নীংতম লানগী অতে ভেটরনশিংগী মহুৎ শিন্নবা অনৌবা লুচিংবশিং খনবা পান্নী। চহী ২০ পৱার পায়রকখিবা প্রসিদেন্ট বৌটেফ্লিকানা হৌখিবা চয়োলদা মহাক্লা হান্না লৌখিবা ৱারেপ হন্দাক্তুনা মঙা শুবা টার্ম অমগীদমক মীখলদা মীরেপ ওইর-রোই হায়না লাউথোকখিবনি।

মহাক্লা মীখল য়ৈথোকপগা লোয়ননা রিফোর্ম প্লান অমগী মখাদা কন্সটিট্যুসন অমা হৌদোক্লগনি হায়নসু লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীখিবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-134/1/19(D)
Date: 18-03-2019

Rescheduled Programme for the B.Ed 1st Semester Examination, 2018 (December)

In supersession of this o.o dated 11th March, 2019 the programme for the B.Ed 1st Semester Examination, 2018 (December) is rescheduled as under:

Venue: Manipur University

Time: 11:00 am to 1:00 pm (40 marks)
11:00 am to 2:00 pm (80 marks)

| Date & Day | Paper Code & Title |
|---|---|
| 24-04-2019 Wednesday | PE 01: Childhood and Growing up |
| 27-04-2019 Saturday | PE 02: Contemporary India and Education |
| 30-04-2019 Tuesday | PE 03: Learning and Teaching |
| 02-05-2019 Thursday | CPS 01: Understanding Disciplines & Subjects |
| 04-05-2019 Saturday | CPS 02a: Pedagogy (Mathematics/Science/Social Sciences/Language) |
| 06-05-2019 Monday | CPS 03: Language across the curriculum |

(A. Narayan Singh)
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/5292/19

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-135/1/19(D)
Date: 18-03-2019

Rescheduled Programme for the Hindi Shikshan Parangat 1st Semester Examination, 2018 (December)

In supersession of this o.o dated 11th March, 2019 the programme for the programme for the Hindi Shikshan Parangat 1st Semester Examination, 2018 (December) is rescheduled as under:

Venue: Manipur University

Time: 11:00 am to 1:00 pm (35 marks)
11:00 am to 2:00 pm (70 marks)

| Date & Day | Paper Code & Title |
|---|---|
| 24-04-2019 Wednesday | H.S.P.01: Basic concepts & Thoughts of Education |
| 27-04-2019 Saturday | H.S.P.02: Learning Psychology |
| 30-04-2019 Tuesday | H.S.P.03: General Linguistics |
| 02-05-2019 Thursday | H.S.P.04: Different Diversity of human development-education of specific child |
| 04-05-2019 Saturday | H.S.P.05: School Administration & Management |

(A. Narayan Singh)
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/5292/19